# মীতৈ শারি

— ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ —
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর
দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবা
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর

**ওফিসকী** থবক তৌবী, ওজা নুপীশিং, মেম সাহেবনচিংবা মীতৈ নুপীশিংনা মরুওইনা লুহোংলবা নুপীশিংনা অয়াম্বা মতমদা শেৎনরিবা মীতৈ শারি (শারি মতেক হায়রগসু খঙনবা) অসিমক মীতৈগী নাৎ-চৎনবী ঙাক্নবা হোৎনবদা কোক য়াম্না শারিবা অনৌবা ফেসন্নি। ইন্নফিবুময়াংগী শারি শেৎপগী মওংদা শেৎপসিদি তশেংনা হায়রবদা মীতৈ নুপীগী ফিজেৎ নত্তে। ফনেক্তি শেৎনৈ অদুবু ইন্নফি হায়না খঙনরিবা ফি মতেক মখলশিং অসিদি ইন্নবনি। মীতৈ নুপীশিংনা শেমগৎচবা য়াম্না ফজবা ফেসন অমা ওইজরবসু (মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ফংলরোইদবা, ইতোপ-তোপ্পা ষ্টাইল অমা ওইজরবসু) লাই হরাউবদা নুপী অমত্তনা ফিজেৎ অসি শেৎনদে। ফিজেৎ লৈতেং দিজাইন তৌবদা য়াম্না ক্রিএটিভিটি লৈবা মীতৈশিংনা শারি মতেক হায়না খঙনরিবা য়াম্না ফোর্মেলসু ওইবা, য়াম্না ত্রেদিসনেলসু ওইবা লোয়ননা য়াম্নসু চীং লেম্বা ফিজেৎ অসি শেৎপনা মীরমগী শারি ফুল শেৎপদগীদি হেন্না চুশিন্নব্রা হায়না খঞ্জে। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি ইনাৎকী ওইবা ফজখ্রবা ফিজেৎ অসিগী মমিংদা 'শারি' হায়বা ৱাহৈসিদি অদুম লোয়নহৌরগদ্রা হায়বসিনি। অদুক্কী মতিক শেম শাবা হৈখ্রবা মীতৈ নুপীশিংনা ফিজেৎ অসিগী মমিংসি ইরোলদা নাখৈ শেংনা থোনবীরমদবসিনা তুংদা করিসু অকায়বা লাক্লরোইদ্রা হায়না হংনদবসু নত্তে।

ইনাৎকী ফিজেৎনিদি হায়ববু করম্বা ফুরিৎনো হায়ফম খঙদ্রবা আ য়ৌনা কোৎথোকপী ফুরিৎ মতৎ-মরাং অমা লিৎলগা ফনেক ময়েক নাইবা অমদি শারি মতেক শেৎলগা লুহোংবদা, লাই হরাউবদা, ফঙ্কসনগী ষ্টেজদা কেথরগা মীতৈ নুপীশিংনা থোরকপসিদি ইনাৎকী ফিজেৎ-চাকচাদা অনৌবা মায়ওন অমা লাকপগুম্নসু উহল্লি। অনৌবা ফেসন অসিনা অহল-লমন, মপা-মচা, মবুং-মৌপ্বাগা ফম্মিন্নবা অমদি চৎমিন্নবদা অকায়বা অমা লাকপগুম তৌরিবা অসিগী অফ-ফত্তসু মতম চানা নৈনহৌবসু য়াম্না মথৌ তাই।

পুন্সিরোলদা, য়ুম্বাল্লোন্দা, খুন্নাইলোন্দা, থৌগল্লোন্দা, লমচৎ-শাজৎতা ফিজেৎ-লৈতেংগী তোঙানবা চৎন-কাঙলোন কয়া লৈজবা, মীতৈ ফুরুপনা হোংলক্লিবা অওনবা কয়াসিদা তরাই-তরাইনা লৌদুনা তুমিন্না শুম চৎখিবা হায়বসি তুংদা য়াম্না ৱা কায়রক্কনি হায়না নীংজে।

মী শিবগী হংবা চৎপদা নুপীশিংনা পুঙৌ ফনেক শেৎতুনা ফি অঙৌবা ইন্দুনা চৎলি অদুগা নুপাশিংদি খোংগ্রাওদা হেক্তা শমজিল্লি। মসিনরা মীতৈ নুপীশিংনা নাৎ-চৎনবীশিং ঙাকপা হেল্লি হায়না হেক হেক হায়নরিবসে। তালোইশিংদা চল্লবীশিংনা ফনেক ফিদোল চিংখৎপা, মকু-মতৈ উরগা মকোক্তা ফি খুম্বগী ফজখ্রবা মীতৈগী চৎনবী কয়াসি উবা ফংজিল্লক্ত্রিবসিনা করম তৌবা তাবা? নুপীগী ফিরোল দিজাইন তৌবা অমদি ইমব্রোইদরি তৌবীশিং অসিসু খরা খিৎ হৈশিংবা হেনজিনব্রা হায়না নৈনজবা য়াবা মতাংদি করম্বা ময়েক্না/দিজাইন্না লৈমা-নিংথৌগীনো, করম-করম্বনা মনাফিনো, মীচম মীয়ামগীনা করম্বনো হায়বনচিংবা কয়া কুপ্না ইথি-থিগৎতবীদা পংতৌদা তৌশিনবা মানবা কয়াসিনা নাৎকী ফিজেৎ-লৈতেংগী অহকপা চৎনবী কয়াবু ইকায়খুম্নদবগী অমদি মাঙশিল্লকপগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি।



ফিগে ফনেক্তা খোই ময়েক অসি য়াওদ্রবদি লুহোংবগী লৈ লেংবগী, লৈ কোয়বগী, মঙানি চাক্কৌবগী থৌরমদা নিঙোলদুনা শেৎপা য়াদে হায়রিবা চৎনবী অসিগী ৱাহন্থোকশিং ঐখোয় লোয়না মাঙহনখিবা তারব্রা? আসামগী দিমাশাশিংগী ফনেক মপান্দা শীজিন্নরিবা দিজাইন অদুনা মীতৈ ফনেক্কী মপান্দা হাইজিল্লক্লিবসি মতৌ করম্না তৌরক্লিবনো হায়বসিসু ফিরোলগী লমদা থবক তৌবিরিবশিংনা অমুক্তং খন্নহঞ্জনীংই। মীতৈ নুপীগী ফি অমদি ফনেক মপান্দা ইবুধৌ পাখঙবগী ময়া, হুইয়া হায়নসু খঙনবা (মীয়াম্না মোইরাং ফিজিন কৌবা) হাপ্পা হায়বসি চৎনবীনি। ফিবান অদু লৈই অমতংনা ওইরবসু মপান চনগনি। মসিগী ৱাহন্থোকশিং অসি তরাই তরাইনা লৌবদি চুমলোই।

মীতৈগী নাহোংফি ময়েক অসিনা করি ৱাফম তাক্লিবগে হায়বদু ঙসিদি কনামত্তা খঙনীংবা থিনিংবা পোক্লমগনি হায়বা থাজদে। লুহোংবা কুইদ্রিবা নুপী-নুপাশিংনা হঙ্গামপাল মচুগী ফিরোল শীজিন্নরিবসিগী ইন্নুংলোন অদু হৌজিক্কী মতমদা মমী য়াম্না শামজিল্লকপগুম তৌরি। লাইদি মখৈ ফংলগা হরাউই হায়বা ৱাফম অমা লৈবনা লাইগী ফিরোলশিং শেম শারিবশিংনা অরং অরাক, মচু-মরাং অমদি অতৈ দিজাইন কয়া পংতৌদা তৌশিন্নরিবসি তৌহৈগদ্রা-তৌহৈরোইদ্রা হায়বদু অমুক্তং খন্নমিন্নবা মথৌ তাই হায়না খনজে। শিবা-নাবা, অনা-অয়েক্কী মতমদা শেৎনবা পুঙৌ ফনেকপু শেৎলগা লাই হরাউবুংদা অমদি চৈরাও চীং কানরিবা অসি চৎন-কাঙলোন্না য়াব্রা য়াদব্রা অমুক্তং থিমিন্নসি।

মহৈরোয় নুপীশিংনা ফনেক শেৎহল্লগা ওজা নুপীশিংনা শারি ফুল শেৎনরিবা অসি করম্বা ৱায়েলনো? হেন্না ঙক্লিবদি শারি ফুল শেৎপীশিং অসিনা ওজা লৈশাবীশিংবু খঙনবগী ৱাফম অমসু থোরক্লি। নুপী ওইবীগী মপোকসিদি য়াম্না ইকায় থিগনবা মপোক্লি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবদু হৌজিক্কোন্দদি লাল্লক্কদৌবা মানশিল্লক্লে। মরমদি নুপীশিং অসিনা শেৎলি চারিবা মতৎ-মরাং কা হেন্না পাবা ফিজোলশিং অসিনা মখোয় মশাবু ইকায় খুম্নবা অমত্তা থমদ্রে হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি।

অঙকপনি নিংথমথাদসু নুপীশিংদি কেথরিবনি হায়দুনা য়াম্না পাবা ফিরোল শেৎতুনা লুহোংবা, পোয়েংবা অদুম চৎনৈ। তাইবঙ মীনা ফিরোল শেৎপগী মরম অসি অহিং অশাদগী ঙাকথোক্লবা, ফিনুংগী হকচাং লোৎপা, মহিক-মতাং, তীল-কাংদগী, অশোক অপনদগী ঙাকথোক্লবনি। ফি থোংদবা হকচাংসি পাঙ্গল থৌনাসু থোক্তে। লোয়ননা নিংথিনা দিজাইন তৌরবা ফিরোল শেৎপনা মীদুগী মতিক মঙাল অমুক্কসু হাপকৎলি। তাইবঙ মীনা ফিরোল শেৎপা হৈত্রিঙৈ মতমদদি ঐগী মাগী নুপী হায়বা অমা তোঙান্না লৈনরমগদবসু মানদে। মকুবোক ফাওবা খলহৈদবা ৱাখল ফত্তবা কয়া খন্নরক্লিবসিগী মরমশিং থিদোকপদা ফিজেৎ চাকচা কাম্নরকপগী মতাংসিসু কানথোক্লম্বা য়ারোই। নুপীগী হকচাংদি কল্লক্নফমতনা পীক থনবনা মথোং চাদবা ফিনা ফিজেৎ লৈতেংলবদি শারমচৎ চৎপশিংদা ফোংনা চেবাউ পীবগুম থোক্তুনা নশা-নশাগী মঙফম ওইরকপা হায়বসি শোয়দ্রবনি।

নুপাশিংসিসু খরদি খিৎ পঙমনব্রা হায়না নীংজৈ। মরমদি মাগী মাগী নুপীশিংনা শেৎলি-চারিবা ফিজেৎ-ফিগাইশিং অদুনা চেকশিন্না থমজরিবা ফজবশিং অদু মফম, মতম চাদনা পংউৎতা উৎথোকপগী ফীভম অমা লাকপগুম্নসু তৌহল্লি। ফীভমসিদা লৈখোঙ শঙবা খোইমুগা, লমলানবা খোইমুশিংগা থাঙ শৎনরকপগী ফীভম কয়াসু পোকহল্লকপা য়ানা লৈরি। 'ফিজেৎ ফিগায়না ঙমদাইনররগনি' হায়না পুয়াদা হায়রম্বসি ওন্থোক্লসু চুমখ্রেদা। শেৎ চাবদা য়াম্না নুংঙাইরম্বদি য়াই হায়ববু মদুনা নতুংদা শাহিং চাবা শা-কৈ কয়া ইন্নরক্লবগী মরমসু ওইরকপা য়াই। চিনবান্দা খোইহি তৈশিল্লকপদবু লেক্লিংঙোইদবা কনা লৈবগে হায়বা লৈখিদ্রবা ওজা ধনবির (লিলাগী) না হায়বীরম্বা ৱাদু হেক হেক নীংশিংলকই।

লাইফি শেৎপদা লাইগীদি ফি মরোল অহুম শেৎকনি হায়বা কাংলোনসিগী ৱাহন্থোক য়াম্না লৈরমগনি হায়না থাজৈ। বাইবলগী মতুং ইন্না অহানবা শেমখিবা নুপীদুনা নুপাদগী ফি শেৎপা হানখিবগুম ঐখোয়গী থাজনবীদসু নুপীনা হান্না চরৈ ফি থোনখিবগী ৱারী ঙসি ফাওবা ইমা মাইবীনা শেৎলিবা 'শরোং' না নীংশিংহল্লি। নুপীগী ফুরিৎ, ফিরোলসি য়াম্না পীক্লা পীক্লা, তেন্না তেন্না অমদি পানা পানা তুনৈ। মসি য়াম্না ইকোনোমি ওইনরিবা হায়বদুরা নৎত্রগা ফি তুবশিংনা ফি য়াম্না হুরান্নবদগী থোক্লিব্রা খঙদ্রে। নৎত্রগা মথায় থায়না ইপা ইপুশিংগী হাক্তক্তা তৌরম্বা চৎনবীশিংদু অমুক নৌহৌননা নীংশিংদুনা অরিবা ইনাৎ কন্নবা হোৎনরিবা হায়বদুরা? ওল্ড ইজ গোল্ড হায়বা অমসু লৈরিবনি 'সিদা।

গোৱাগী সমুদ্র মপান্দা অমদি স্বিম্মিং পুলদা শেৎকদবা ফিজেৎতু শেৎলগা কৈথেল কারক্লবদি অদুম লোইরে। তুম্বদা শেৎকদবা ফিজোলদু অতৈ মফমশিংদসু শীজিন্নবা হেক্তা য়াবগুম তৌরিবসি করিগীনো? সেলেবসতা য়াওদবনরা, ওজানা ফজনা তাকপীদবনরা খঙদে। শেৎ চারিবা ফিদাসিগা মচা-মশুশিং অসিবু অসুমাইনা মপান্দা, লম্বীদা থাদোরক্লিবা মমা-মপা, অহল-লমনশিং অদুবু করম্বা মীদানো? মচাদুনা মীনা হাৎতোক্লগা হুন্দোকপীরম্লবদি বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অমুক তৌগে হায়রক্কনিনে। সেক্স এদ্যুকেসনদি করিমত্তা খঙদনা, নোংচুপ লৈবাকশিংদা তৌনরিবা কলচরদি ইখঙ খঙদনা, ৱাখলদি মপূং ইফা ফাদনা মতৌ তম্নরিবা কয়াসি উবদা থম্মোয় কায়নীংঙাইনি।

ফ্লেশ ত্রেদ তৌরিবশিং, মোদেলশিং, ফিল্ম এক্ট্রেসশিংদি মখোয়বু মীয়াম্না পাম্বীনবা ইতোং তোঙানবা ফেসনশিং তৌজবনি। মখোয়গীদি শিনফমনি তোঙানবা ইন্দষ্ট্রি অমনি। কোলেজ চৎপী, ওফিস চৎপী, কৈথেল চৎপী ঐখোয়না মখোয়গী মতৌ তমফম থোকপ্রা? এদভর্টিজ তৌবিশিংগী মতৌ পংতমদা তম্নবসিনা 'পোলোই' হায়বা মালেমদা ফাওরবা শেৎনবা তন্নরক্লবা ফিজেৎসি মতম কুইনা হিংহনখিগদৌরি। মরমদি মাঙনীংঙাই ওইরবা চৎনবী কয়াসিনা মরম ওইদুনা নুপী কয়াদি পূক্লুংগী অঙাং য়াওনা লুহোংবগী লৈ কোয়বদা পোলোইনা মতেং য়াম্না ওইনখিগদৌরি। নাতৈ চাদবা ফিজেৎ শেৎপশিং ৱিমেন কম্মিসন্না থবক লৌখৎকনি হায়রিবা অসি য়াম্না নৈননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমসু ওইরক্লি।

লুহোংবদা পিবা ওইরিবা মহাকখক্তং মপান চনদবা ফৈজোম শেৎলগা অতৈ মমান্নবশিং অমদি নুপাশিংদি কুর্টা পাইজমা শেৎপনা শেৎপা অমদি সাউথ ইন্দিয়নশিংনগা য়াম্না শেৎনবা, ইসকোনগী মীওইশিংনসু শেৎনবা মপান্দা অপাক-অপাকপা দিজাইন কয়া য়াওবা ফৈজোমশিং পংশেৎতা শেৎনৈ। নিংথৌনা পীবা মনা-ফি ওইরিবা খামু চপ্পবু য়েকসলাইগী মচুমচুশিংগা লোয়ননা মনা ফংদবা মীওইশিংনা পংশিদা শীজিন্নরিবা অসিদা খঙসু খঙফাত্তবা, থিসু থিদবা, নৈসু নৈনদবা ইনাৎখক্তং নুংশিবা মীওই খরনা কন্না শৌগৎলি। খামু চপ্পা ফৈজোমগী মচুদি চপ মান্নরগা কোকয়েৎতদি সলাইশিংগী মচু তোঙান তোঙান্না লৈ হায়বসি ঐখোয় লোয়না কাউমিন্নরবনিদো।

মথোং মরমসু খঙদনা, ৱারী ৱাখোঙসু কুপ্না থিদনা ফৈজোমবু মীতৈগী নত্তে, বঙ্গালিশিংদগী মতৌ তম্বনি হায়না হেক্তা খনবীরগদি ঐখোয়না শেৎনরিবা খুদৈসু মখোয়দগী মতৌ তল্লকপা ওইগদৌরিব্রা? মাইবীগী শরোং ফি অসি থাইলেন্দলোমদগী লাকপনি হায়না হায়নরিবা অসিনা চুম্বা তারগদি লাই হরাউবদা 'শনম খোকশে মখোকশে, শনম শেৎশে মশেৎশে' হায়না য়াওরিবা লাইরোলদু লৌথোকখিবা য়ারে হায়না খনজে। নিংথিনা রিছার্স তৌবসু নত্তনা মীরম চৎপদা ঐখোয়গীগা মান্নবা পোৎ চৈ, মওং মতৌ খরা অদুক থেংনজরক্লগা মখোয়রোমদগী ঐখোয়রোমদা চঙলকপনি, পুরকপনি, মতৌ তল্লকপনি হায়না হেক্তা ইরায় লায়না পংখন্দা খল্লিবা, পংশন্দা শন্দোক্লিবা অখঙ অহৈ শাবশিংগী ৱাখলদা পোৎশিংদু ঐখোয়রোমদগী মখোয়রোমদা চৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়নগদি নোংমতা ফাওবীদব্রা ? মীতৈসু কদাই কদাইগী হৌরকপনি/লাকপনি হায়বা তোঙান তোঙানবা থিওরিশিং অদু তাবদা ফনবু নুংঙাইরি। ঐখোয়গী রিছার্স খুৎতৌ অসিদি অঙকপনি। লমগী ষণ মচি শাংই হায়বা টোপিক্কা মরী লৈনবা হীরমশিংদা লোয়না রিছার্স তৌদুনা লৈরব্রা হায়না খল্লকপা মীকুপ য়াওরকই। মীরমদগী পুশিল্লক্লিবা য়াম্না অহোংবা মমলদা ফংবা (ঐখোয়গী দিজাইন, ময়েক্তু মপানগী ফি মীলশিংনা মতৌ তল্লকপা/শারকপা) অরুপ-অতাওগী ফিরোলশিংবুনা হেন্না পাম্না লৈনরক্লিবা অসিনা ইরমদমগী মমল য়ামখ্রবা ফজখ্রবা ইয়োংগী পোত্থোকশিং অসিগী মরাইবক্তি তম্বা ঙমহন্দ্রে।

---

# হেরো মিংথোল ফংখ্রিবদু ঃ এলবমগুম্বা সেরিএলগুম্বগী হেরো নত্তে হায়বা খঙহনবীয়ু

—অমরজিৎ খাঙেম্বম—

***হৌজিক*** মণিপুরদা চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি লোইশিন্নবা হোৎনবগী মমি ইতা তাদবগুম্বা অমা উরি। সী এস ও, গুদ ৱিল মিসননা মণিপুর মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্লবগী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিনা কদাইদগী কদাইফাওবা য়ানবা পুরক্কদৌরি হায়বা অদুসু য়েংখিবা তারি। অদুগা সেন্টর অমদি ষ্টেটনা মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংশিন্দুনা অমদি কোক্লবা হোৎনরিবনি হায়দুনা চথুরিবা অসিদি গুস্তিরনা মী য়োৎলমদাইদা মমিৎতা মপি তাই হায়বগী থৌওং ওইনা তৌরি। নুংশি নুংশিনা অদুম য়োৎখিবগুম মীয়ামসি নুংশি নুংশিনা মৈথক্তা থম্বীরি। মসিদা ষ্টেটনা য়েংলিবা মিৎয়েং অমদি সেন্টরনা য়েংলিবা মিৎয়েং হায়বা অনী থোক্লা উরি।

**ষ্টেটনা য়েংলিবা মিৎয়েং ঃ**

মণিপুর লৈঙাক অসিসু লৈঙাক অমা ওইবগী য়াম্না চেকশিনবা ইৱাৎ ৱাৎপগুম্বা অমা তৌরি। মতিক চাবা লুচিংবা চিনগা খূৎকা মান্নবা থম্মোয় শেংবা লুচিংবা ইয়াও য়াওদবগুম্বা অমা তৌরে। হৌজিক মীয়াম্না ইকনমিক ব্লোকেদ অসিগী চৈথেং ফংদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। অসুক কুইরবা মতম অসিফাওবা লোইশিন্নবগী থৌওং অমত্তা লৈঙাক্লা চথবসু উদে অদুগা সী এস ও কয়ানদি চঙশিন্দুনা য়ানবা লম্বী থিরি মণিপুর মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্লবা। লৈঙাকনা তৌগদবা কয়া তৌদনা সিফাই খরা কৌরগা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি নম্ফুদা চৎনবা হোৎনরিবা অসিনা অচুম্বা খোঙথাং ওইনা লৌরিবা অসি চুমদৌরিব্রা? মণিপুরগী সী এমনা য়াম্না তোয়না হায়বিবা ৱারী শানদনা ৱারোইশিন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়রগা ৱারী শানবগী থৌওং অমত্তা লৌখৎত্রিবা করিগীনো? সী এস ওশিং অসিদা করি করম্বা মতেং পাঙবীরিবগে অমদি করম্বা থৌশিল চথমিন্নসি হায়বগী ৱারোল অমত্তা মীয়ামদা হায়বিদ্রিবা করিগীনো? দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকপা য়ারোই হায়দুনা তৌরিবা ইকনমিক ব্লোকেদনিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টসু চেনবা য়ারোই। থবক অমা তৌবদা য়ানিংবা য়ানিংদবা অদুম লৈবা হায়বসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি। লৈবাক অমা শেমগদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং অসি ফাওবা রুল্লিং হায়বা অমা, ওপোজিসন হায়বা অমা অদুম লৈরিসিনি। অদুনা অথিংবা অয়েৎপা কয়া অসি লাক্তনবা অশানবা মিৎয়েং অমা য়েংহৌদবদগী ওইরক্লিবনি হায়নীংই। ইকনমিক ব্লোকেদ অসি এন এস সী এন (আই-এম) অমদি মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গেনাইজেসন য়ু এন সীনা তৌবনি। সেন্টরদা কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈদগীসু এন এস সী এন (আই-এম) গী ৱাথোক অসি অদুম লাক্তুনা লৈখ্রবনি, হন্দক সেন্টরদা বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী ওইরকখিবসু নত্তে। এন এস সী এন (আই-এম) গী ইশ্যু অসি অদুক্কী মতিক লুবা লৈবাক কায়বা য়াবা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইদুনা লাকলিবনি। কুমজা ১৯৯৭ কী জুলাই ২৫ দগী সেন্টরগা এন এস সী এন (আই-এম) গা সিজ ফায়র তৌনদুনা লাকখিবদগী মণিপুরদা অচৌ অচৌবা ৱাথোক ময়াম অমা থোকখ্রে। মসি থোক্লিবগী মরমদি এন এস সী এন (আই-এম) না তাল্লিবসি সোভরেন্টিগী ৱাফম ওইরগদি করিসু কায়দে মণিপুর কায়বা য়াবা ৱাফম য়াওরকপদগী অচৌবা ৱাথোক অসি থোক্লিবনি। এন এস সী এন (আই-এম) গী সিজ ফায়র মণিপুর গভর্ণ-মেন্টকা তৌনবা নত্তে অদুনা মণিপুরদা এন এস সী এন (আই-এম) না ওপরেট তৌবগী ৱাফম য়াওদে। এন এস সী এন (আই-এম) দগী নোংমৈ কয়া ফারবসু মতম অদুগী সেন্টরদা পাল্লিবা য়ু পি এগী কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা হায়রকপদগী খূৎলাইশিং অদু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চৎতুনা অমুক থিন্দোকলুরিবনি। মসিনা মরম ওইরগা এন এস সী এন (আই-এম) না ঙকচাউ থেক্লিবসি সেন্টরনা য়াদুনা তৌহনবনি। অদুনা ঙসিদি এন এস সী এন (আই-এম) না মণিপুরদা মখোয়গী কেম্প কয়া হাংজিল্লক্তুনা ঙসি মখোয়না নেসনল হায়ৰেদা শেনখায় থুমখায়, মীহাৎ মীপুন মনিং তম্না টেররিষ্টকী থৌওং চথরক্লিবনি। মতম অদুদগী হৌনা ঙসি ঙসিফাওবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মখোয়বু লমদম অসিদগী তকথোকপা ঙমদবা হায়বসি মণিপুর গভর্ণমেন্টগী অচৌবা অশোয়বা অমনি। মখোয়বু য়োক্তুনা থম্লুবগী মহয়নি ঙসি মখোয়না মণিপুর গভর্ণমেন্টগী মেছিন্নরি পুলিস পার্সনেল, সী দি ও ফাওবা খূৎ থারক্তুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎকৎলক্লিবা। গভর্ণমেন্টনা মখোয়বু থম্লুবা অসি চহী ১৫ পান্দুনা লাক্লবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী থৌদাং লৈফম থোকই। ঙসি ঙসিমক থা অনী হেনজিল্লক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি গভর্ণমেন্টনা সেন্টরদা তাইনদুনা মীয়ামগী মায়দা উৎ চাইদুনা পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈবা মীয়াম্না লোয়না খঙই। হৌজিক চাক্লিবা মৈ অসি মুখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা যাত্রা হুনবা, শঙ্গাবা, পোলিটিকেল কনভেন্সনগী থৌরম্না নোংমা কাংদনা পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু ৱাহল্লগা পোলিটিক্স শান্নদুনা তৌরিবা অসিসু লোইনা উই। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরগী সী এমনা মণিপুরদগী এন এস সী এন (আই-এম) বু তকথোকখিবা তারল্লবা হৌজিক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অমদি মীয়াম্না ঙসিগী গভর্ণমেন্টতা ঙাঙফম লৈরমদবসু য়াই। এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা মুইভানা মণিপুরদা লাক্লবা হোৎনখিবদা গভর্ণমেন্টনা চঙহনখিদবদু মণিপুর মীয়াম্না মণিপুরগী সী এমবু থাগৎনখি। হন্দক অমুক দিষ্ট্রিক্ট ৭ লাউথোকপগী মণিপুরগী হেরো মিংথোল ফাওবা থোনখিবনি। হৌজিক চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি সেন্তরগা ৱারী শানরিবা এন এস সী এন (আই-এম) য়াওই হায়দুনা সেন্তরদা পাল্লিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিগী ৱারিবা মীয়াম্না তাইনজখিনি খন্দুনা মণিপুরগী সী এমনা পোলিটিক্স শান্নদুনা লৈথোকখিবা তারগদি হেরো মিংথোল ফংখ্রবা সী এমবু করিসু নত্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবা এলবমগী হেরোগুম মণিপুর মীয়াম্না খনখিবা থোক্লবদি লৈঙাকসিগী লাইবক থিবনি।

**সেন্তরনা য়েংলিবা মিৎয়েং ঃ**

নরেন্দ্র মোদি গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর কয়ারক ওইরল্লবা মতুং কুমজা ২০১৪ গী মে ২৬ তা ইন্দিয়াগী ১৪ শুবা প্রাইম মিনিষ্টর অমুক ওইখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা "As a real candidate of Prime Minister" হায়বদি পায়গদবা ফম হান্না লাউথোক্তুনা ভোট খোমখিবা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিগী মীহুৎ খনবদা মহাক্লা অহানবনি হায়বা য়াই। মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমুক্তং ওইজগে খন্দুনা লাকখিবা বি জে পিগী সেনিয়র লিদর এল কে অদভানি ফাওবা গুরু ফমথোল পীশিল্লম্লগা ইন্দিয়াগী নিংথৌ খুভম শেত্তুনা মুনখ্রিবা অদুগুম্বা মীশক অমনি। মহাক্লা তৌগে খনখিবা, নীংখিবা অমত্তা হোংদবা য়াম্না মথৌনা ফবা হৈ শিংবা অখাং কনবা মীশক অমসু ওইরিবনি। মে ২৬, ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা নুমিৎতু মীয়াম অঙকপা অমা ওইনখ্রিবনি। মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টরশিং ৱাশক লৌখিবদা অদুগুম্না অমুক্তা তিনখিদ্রি মীয়ামদো। সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনেল কোওপরেটিভ (এস এ এ আর সী) কী লুচিংবা কয়া য়াওনা পাঙথোকখ্রিবা থৌরমনি। মহাকপু ইন্দিয়াগী হেরো মিংথোল ফাওবা পীখ্রিবনি। তৌগে হায়বতা ঙমখিবা য়াম্না নুপা থোকপা মী অমনি হায়না শিংথানখ্রিবনি। নবেম্বর ৮, ২০১৬ কী নুমিদাংদা ইন্দিয়ন করেন্সি নোট লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী খুদক্তা চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবনি। নুমিদাং অমদা লাউথোকখিবা ৱাহৈ খরদুনা নোং ঙানবগা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না অরিবা শেল লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০ চৎপীদু ওন্থোক্লবা হোৎনবদা খোইরেন মশা পাইনবগুম পাইনখিবনি। বেঙ্কতা অনৌবা শেল ওন্থোক্লবা হোৎনবদা ক্যু লেংবদা ৱান্থদুনা শিখিবা মীসু ফনা য়ামখ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টর অমনা ঙম্বকা হায়সি ঙমজাৎনি হায়বসি ফজনা খঙখি। অদুবু মণিপুরদি লায়রবনা নম্না লৈবা লমদম অমা ওইরিবনি। নোংমগী শুরগা চাজবা কাংবুনা বেঙ্ককী ক্যু লেপলিঙৈদা ইমুংগী অৱাৎপা ময়াম মেনখৎপা ঙমদবগী ৱাখিবা, অদুবু মীয়াম্না ৱাবা, শিবা, অদু অদা খঙদে মহাক্কী পান্দমদি ইন্দিয়াদা ব্লেক মনি, ফেক করেন্সি, করপসন, মুথৎনবনি হায়দুনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি। লায়রবা মীচম মীয়াম কোক্তা খূৎ হাপ্তুনা হৌজিকফাওবা খাঙবা মী কোকথোং অমা লৈরি। দিমোনেটাইজেসন তৌবগী কান্নবা হৌজিকফাওবা মণিপুর মীয়াম্না ইফং ফংদবগুম তৌরি। ব্লেক মনি পায়রম্বা মী অমত্তা মণিপুরদগী ফাবগী পাউসু তাখিদ্রি। লাক্লিংলিবা ৱাফমদি ইকনমিক ব্লোকেদ থা অনী হেল্লক্লে মসিগীদমক্তা সেন্তরনা সিফাই লিশীং লিশীংনা ঙাক শেন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুশিনবা হৌরক্লে অদুবু ওইল পম্পকী ক্যু লেংবগী ফীভম অহোংবা লৈত্রি, চাক থোংনবা গ্যাস মরাং কায়না ফংদ্রি। সিফাই লিশীং লিশীং থাজিল্লক্লগসু ইকনমিক ব্লোকেদ তৌবগী ফীভমগা চপ মান্নরি। সেন্তরনা ষ্টেটতা খূৎ থিংজিন ঙমদ্রবসু ইকনমিক ব্লোকেদ তৌরিবা অসি সেন্তরগা ৱারী শান্নরিবা এন এস সী এন (আই-এম) গী অকনবা শাফু অমা য়াওই হায়বসি তশেং তশেংনা উরবনিনা সেন্তরসু ইকনমিক ব্লোকেদকী ৱারোইশিন্দা য়াওদবা য়ারোই। সিফাই প্লেটুন কয়া অমা থারক্লগা নেসনল হায়ৰেদা ফক্লাং ওইনা লেপ্পা কয়াম কুইনা ঙমদৌরি। হৌরক্লিবা মৈ অসিগী হৌরকফমদু মুখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা ওন্না তৈনবা মফমদা ওইনা মুখৎনবা হোৎনবগা চপ মান্নবা থৌওংনি। মতম অমদা য়ু পি এগা চৎমিন্নরম্বা এন এস সী এন (আই-এম) না হৌজিক অমুক এন দি এগা চৎমিন্নরি। এন এস সী এন (আই-এম) না সিজ ফায়রগী গ্রাউন্দ রুল কায়বা থবক ময়াম অমা তৌখ্রবনি মতমদুদা । কোংগ্রেস লৈঙাক্লা ৱারকপা ঙম্লমদ্রবসু হৌজিক্তি তৌবা ঙম্লবা মথৌনা ফবা ইন্দিয়াগী হেরো মিংথোল ফংখ্রবা পি এম নরেন্দ্র মোদি লৈরি, করিবু ৱানিংঙাই লৈরুনি হায়না মীয়ামনা হংনিংলি। মখোয়না তৌরিবা পূম্নমকশিংসি লাল্লি খঙনা খঙনা সেন্তরদা কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলমদবা তারগসু হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি গভর্ণমেন্টসিনা অচুম্বা থবক অদু লৌখৎহন্নিংই। হৌজিক অমুক এন এস সী এন (আই-এম) না সেন্তরদা পাল্লিবা বি জে পিগা অমুক লেঙ্গোন্নদুনা চৎমিন্নরি। এন এস সী এন (আই-এম) না তৌরিবা থৌওং খুদিংমক কম্যুনেল রাইওট থোকহন্নবা শিল্লিবা থৌওং ঙাক্তনি। মণিপুরগী সী এমনা দিষ্ট্রিক্ট লাউথোক্লিবসি কনাগুম্বা কাঙলুপ অমদা লম পীথোকপা নত্তে। মীয়ামগী অমদি লৈঙাকপদা নুংঙাইনবা শিনখিবনি। মসিদা অততাই ওইনা য়েৎলিবসি এন এস সী এন (আই-এম) অমদি মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গেনাইজেসন য়ু এন সী খক্তনি। কনাগুম্বা কাঙলুপ অমত্তনা য়েৎখিবা লৈতে, হরাউনখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্ট লাউথোকপদা নত্তে দিষ্ট্রিক্ট শঙ্গাবা ফাওবা লোইখ্রে, ইকনমিক ব্লোকেদসু কনশিল্লক্লি, মসিদা সেন্তর গভর্ণমেন্টনা করিমতা হায়দনা ওন্না তৈনবা লম্বী অমদা চৎতুনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবিবা মান্দবগী থৌওং ওইনা উরে। তৌগেদা ঙল্লিবা থৌনা ফবা মী অমনা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা সিফাই খরা থারক্লিবসিদি থম্মোয় শেংনা মণিপুর মীয়াম্বু নুংশিদবনি হায়নীংই। ঙম্মী হায়বা খঙলবা মীনা ঙমশিন্নদবা শারকপা হায়বসি য়েংবদা মওং তাবা ইৱাৎ ৱাৎপগুম তৌই হায়নীংই। হেরো ওফ ইন্দিয়াগী হেরো ওইনা লৈবিয়ু, টি ভি, রেদিওগুম্বগী সেরিএল হেরো ওইনা লৈহন্নীংদে।

মীয়াম্না পাম্বদি মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবিবা অদুবুনি। সেন্তরনসু লমদম অসিদা বি জে পিনা পানবা লৈঙাক অমদি শোয়দনা পাল্লমগনি খল্লি। থম্মোয় শেংনা মীয়াম্বু নুংশিবিবা অমদি য়াইফনবা থবক তৌবদা পার্টি মান্নে, মান্নদে হায়বগী ৱাফম অমত্তা থম্ফম থোক্তব্রা হায়নীংই। মীয়াম্না খ্বাইদগী পাল্লিবদি কোংগ্রেস অমদি বি জে পিগী ৱাফম অমত্তা নত্তে, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্না মীয়াম্বু নুংঙাইহন্দুনা অমদি তংদু লৈতাহন্দুনা পানবা লমদম অমা ওইহনবা অদুখক্তনি।

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮

**১। মখাগী অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈ অনীসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ**
**(ক) পাচুবা (খ) ওংলৌ**
**২। "নোংমদি খঙহৌদনা পাইশিল্লকখি চেক্লাচাদো, লেক্লখি...থাউমৈগী ব্রেকেট মচা অদুদা কায়দোং ওইদুনা।" ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?**
**৩। "চহী কয়াগী মতুংদা ইবেমচা শঞ্জেনফম য়ূম্ফম য়ৌরকই/উরক্লে...মচানুপানা মখূৎনা মোন খাংনরদুনা শুপচিন্না তূল্লিবদু।" ৱারীমচা ইবী কনানা হায়বনো?**
**৪। তসলীমা নাসরিনগী 'ফেরা' মীতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপগে?**
**৫। 'ৱাকৎ উপু' দ্রামাগী অইবদু কনানো?**

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ০৬, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।